# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-03-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মচুগী কুম্মৈ য়াউশঙ ঙসিদগী হৌরগনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল অমসুং মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা বিষ্ণুপুর জিলাদগী পিষ্টোল অমা অমসুং গ্রেনেদ ১০ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অমসুং

৩) বি.জে.পিনা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদব, মীওই ১১১ গী মীং য়াওবা মঙাসুবা লিষ্ট ঙরাং ফোংখ্রে।

------

য়াউশঙ (এল)ঃ মচুগী কুম্মৈ য়াউশঙ ঙসিদগী হৌরগনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- কুম্মৈ অসিনা খেন্নবা কয়াবু কাউথোকদুনা অমত্তা ওইবগী অপুনবগী শক্তি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্কুনা লাক্লি। কুমশি চহিগী য়াউশঙনা লাকপদা মণিপুরবু কাংলুপ খুদিংমকা অমনা অমবু ইকায় খুমবা, শান্তি লৈবা, হেন্না ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় খুদিংমকা ৱারেপ লৌরশি হায়নসু রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

কুম্মৈ অসিগী য়াইফ পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- কুম্মৈ অসিনা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা অমত্তা ওইনা পুন্নবগী মফম পীরি। কুম্মৈ অসিগী মনুংদা শান্ন-খোৎনবা অমসুং য়েলহৌগা মরী লৈনবা থৌরমশিংনা মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা অমত্তা ওইনা পুনবা অমসুং ধর্ম্মগা মরী লৈনবা শক্তমশিং উৎলি।

মচুগী কুম্মৈ অসিনা লাকপগা ইরোয়ননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরকি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- কুম্মৈ অসি মীয়াম মরক্তা নুংশি চন্নবা অমসুং হরাউবা ফোংদোকপগী কুম্মৈনি। মসিনা মীয়াম মরক্তা হেন্না নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা অমসুং পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পায়খৎপা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং লেপ্তুনা চত্থরি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা বিষ্ণুপুর জিলাদগী সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভকী মেগজিনগা লোয়নবা পিষ্টোল অমা, গ্রেনেদ ৮, চাইনিজ হেন্দগ্রেনেদ ২ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

নেসনেল হাইৱে-টুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ২৩৮ ইম্ফাল্লোমদা পুশিল্লকখ্রে। নাকল অমরোমদা, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পামদবা থৌদোকশিং থিংনবা পায়খৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা নাকা চ্যেক পোইন্ট ১২৯ হাংদোকখ্রে।

টিবি (এল)ঃ নেসনেল হেলথ মিসনগী মখাদা মণিপুর সরকারগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার বিভাগনা ষ্টেট টি.বি. সেল, দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. কন্ট্রোল ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন পোগ্রামগা খুৎশমদুনা ৪৩ শুবা ৱার্ল্ড টি.বি. ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু জেনিমসকী

ওদিতোরিয়মদা য়েস ৱি কেন এন্দ টি.বি. হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি।

লিগেল (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি থৌবাল অমসুং লিগেল এইদ ক্লিনিক হিয়াংলমনা পুন্না শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ৱাবগাইগী য়াংবী হাস্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱাবগাই কৈরক্কী হান্নগী জিলা পরিষদ মেম্বর এম. জয়েন্তকুমার, ককচিং সি.দি. ব্লোক্কী হান্নগী প্রমুখ অমসুং লিগেল এইদ ক্লিনিক হিয়াংলমগী পেরা লিগেল ভোলুন্তিয়ার কে. জয়েন্তসু শরুক য়াখি।

বিজেপি ঃ বি.জে.পিনা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদব, মীওই ১১১ গী মীং য়াওবা মঙাসুবা লিষ্ট ঙরাং ফোংখ্রে। দল অসিদা নৌনা য়াওরকপা নবিন জিন্দাল কুরুক্ষেত্রদগী অমসুং রঞ্জিৎ চৌতালানা হরিয়ানগী হিসারদগী মীখল থেংনরগনি। ফিলম এক্তর কঙ্গনা রানাউথনা হিমাচল প্রদেশকী মন্দিগী, সম্বিৎ পত্রনা উরিষাগী পুরিদগী, রবি শঙ্কর প্রসাদনা পাটনা সাহিবতগী অমসুং গিরি রাজ সিংহনা বিহারগী বেগুসরাইদগী, নিত্যাইনন্দ রাইনা উজিয়ারপুরদগী, সিতা সোরেননা থুমকাদগী, জগদিস সেত্তরনা বেলগমদগী অমসুং ধরমেন্দ্র প্রধান্না সম্বলপুর লোক সভা সিটতা মীখল থেংনগনি।

কংগ্রেস ঃ কংগ্রেসনা লোক সভা মীখলগী অতোপ্পা মীরেপ অহুমগী মিং লাউথোকখ্রে। প্রতিভা ধনোদকরনা মহারাষ্ট্রগী চন্দ্রপুর লোক সভা সিটতা মীখল থেংনগনি। প্রতাপ সিংহ কচারিয়াৱাজনা রাজস্থানগী জয়পুর লোক সভা সিটতা মীরেপ ওইরগনি।

মীখল ঃ নোংচুপ বঙ্গলাদা রাজ্য অদুগী মরুওইবা লোক সভা সিট মরিদা থাগৎকদবা সি.পি.আই.এমগী মীরেপশিংগী মিং লাউথোকখ্রে। সি.পি.আই.এমগী ষ্টেট সেক্রেটরি- মহামদ সালিমনা মুর্সিদবাদ লোক সভা কেন্

দ্রদা মীরেপ ওইরগনি অদুগা অলকেস দাসনা রানাঘাৎ কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি। বরধমান-দুর্গাপুর কেন্দ্রদনা সুকৃতি ঘোস অমসুং বোলপুর কেন্দ্রদনা শ্যামালি প্রধাননা দলগী মীরেপল ওইরগনি।

তামিলনাদ্‌দা বি.জে.পিগা চুংশিন্নরিবা এ.এম.এম.কেনা মখোয়গী থাগৎকদবা মীরেপশিংগী মীং ঙরাং লাউথোকখ্রে। এ.এম.এম.কেগী জেনেরেল সেক্রেটরি- টি.টি.ভি. দিনাকরন্না মীরেপশিংগী মীং লাউথোক্লদুনা হায়- দি.এম.কেনা সাসন পায়রিবা খা ভারতকী রাজ্য অদুদা দল অসিনা সিট অনিদা মখোয়গী মীরেপ থাগৎলগনি। দিনাকরন মশামক থেনি লোক সভা কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি অদুগা সেন্থিল নাথননা ত্রিচিদা মীরেপ ওইরগনি।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মীরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী চাউনা মায় পাকপা অমা ওইনা তেরোরিষ্ট গ্রুপ জৈস-ই-মোহমদকা মরী লৈনবা মীওই মরি শ্রীনাগরদগী ফারে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী শ্রীনাগর পুলিস, ৫০ শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলস, ভেল্লি কিউ.আর.টি অমসুং সি.আর.পি.এফকী ২৯ শুবা বত্তাল্লিয়নগী অপুনবা কাংবু অমনা কেনিহামাদা হাংবা মোবাইল ভেহিকল চ্যেক পোষ্ট অমদা চ্যেক তৌবদা মীওই মরি অদু ফাবনি। মখোয়দগী মেগজিন অহুমগা লোয়ননা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু কয়ামরুমসু ফাগৎখি। অহানবগী ওইনা মচিন হংবদা মখোয় অসি তেরোরিষ্ট গ্রুপ জৈস-ই-মোহমদকা মরী লৈনবা মীওইশিংনি হায়বা খঙলে। মখোয়গী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবগী থবক চথুরি।

মৈ ঃ উত্তর প্রদেশকী মেরট জিলাগী পল্লভাপুরম এরিয়াদা য়ুম অমা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা অঙাং মরি শিরে। অদুগা মখোয়গী মমা মপাসু অশোক অপন নংলে। মৈ অদুনা শোক্লবা মীওইশিং অদু হোস্পিতালদা পুখৎখি অমদি অঙাংশিং অদু হোস্পিতালদা লাহকন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। পুলিসকী পাউনা হায়- মোবাইল ফোন অমা চার্জ তৌরিঙৈদা সোর্ট সার্কিট ওইবদগী মৈ অদু হৌরকখিবনি।

অমরোমদা, রাজস্থানগী জয়পুরদা লৈবা কেমিকেল ফেক্তরি অমদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা চাউনা মৈ হৌরকপদগী মীওই ৬ শিরে, ২ না শোক্লে। মৈ অদু ফয়ার টেন্দর ৯ না মুত্থৎখি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- ফেক্তরি অদুগী মপুগী মথক্তা ক্ষেতিপুরন তানবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা থবক লৌখৎনবা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা জয়পুর-আগ্রা হাইৱে থিংজিনখি। থৌদোক অদুদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রি ভজনলালনা অৱাবা নংলবা মীওইশিং অদুদা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়খি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মীং লাউথোকখিবা, লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা কংগ্রেসনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং লাউথোকখিবা অমসুং লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা কংগ্রেসকী ওইনা আউটর অমসুং ইন্নরদা মীরেপ ওইগদৌরিবা বিমোল অকোইজম অমসুং অলফ্রেদনা ইন্দিয়া ব্লোক মণিপুরগী লুচিংবশিংগা উন্নখিবা অমসুং লোক সভা মীখল অসিগা মরী লৈননা বিমোনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিং- হুইয়েন লানপাউ, মণিপুর নিউজ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, পোকফম, মোর্নিং বেল, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মণিপুর মেল পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

বি.জে.পিনা লুচিংবা লৈঙাকা মণিপুরগী মীয়াম্বু তিল কাংদৌনা উরিবসি মীয়ামা পারা তন্বীরশি হায়বা ওক্রম ইবোবীগী ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। ঙসিদগী মীরেপ অনি

মীয়ামগী খুৎতা শিন্নজরে হায়বা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্র ৱাফম, মীয়ামগী থবক তৌবা ঙমদ্রবদি ঐ শিখিশনু হায়বা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা প্রোফেসার বিমোলগী ৱাফম অমসুং খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবদি নোংমৈ নত্তে, মীয়ামনি হায়বা অর্থরগী ৱাফমসু পাউচে অসিগীঅহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি। মসিগা মান্নবা পাউ- শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা কংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রগা পাঙথোক্কদবা স্কিম ২৫ লাউথোকখ্রে। বিমোল অকোইজম অমসুং অলফ্রেদকা ইন্দিয়া ব্লোক মণিপুরগী লুচিংবশিংগা উন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

থৌনাউজম মহেশ্বর অমসুং আর.কে. সোমোরেন্দ্রো (কাইকু) এম.পিগী মীরেপ ওইরগনি লাউথোকখিবা অমসুং মখোয়না ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

মার্জিং পোলো ষ্টেচু অনৌবা তুরিষ্ট দেষ্টিনেসন ওইগদৌরি, কেবল কার সার্ভিসকী রোপ ৱে কন্সত্রক্সনগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে হায়বা পাউ অমসুং বি.জে.পিগী ইন্নরগী মীরেপ ঙসি লাউথোক্লবা য়াই, বি.জে.পি মীরেপনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফমনা মণিপুর নিউজ পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিস্‌বা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা পাউচে- হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী বি.জে.পি পার্তি ওফিস অমাং অতা থোকহল্লম্বগী পাউ, পাউমৈ নাগা য়ুনিয়ন্না শান্তি হঞ্জিনহন্নবা আপীল তৌবগী পাউনা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি। লোক সভা মীখলদা কংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা অকোইজম বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং ৱার্ল্ড টি.বি. ডে পাঙথোকখিবগী পাউ অসি তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------